# গ্লোবেলাইজেশনদা ঐখোয়



**- এস ইন্দ্রকুমার-**

'গ্লোবেলাইজেশন' হায়বা ৱাহৈসি করিনো, কমদৌবনো হায়বা চপ চানা খঙনদ্রবসু ঙসিগী মীরোলনা তোয়না তানরবা ৱাহৈনি। ইকোনোমিক্সকী মহৈরোয় অমনদি হেন্না মরীক চুম্না খঙলগসু, পাউচে অমদি লাইরিক পাবগী হৈনবী লৈবা মীশক অয়াম্বনা খঙনরে-গ্লোবেলাইজেশন করিনো? মসিনা কমদৌনা 'আম আদমি/মীচম ঐখোয়দা শোকহল্লকই? মসি করিনো খঙদবা/খঙনীংদবা, লাইরিক লাইশু হৈতবা, তমহৌদবা, লায়রবা-ইনাকখুনবা অনীমক্তা মসিনা করম্বা চৈথেং পীবগে? অফবা খরা, ফত্তবা খরা - থৌদোক অমা থোক্লবদি, মদুগী মহয় ফংবা হৌনৈ। 'গ্লোবেলাইজেশন' - ফৈ হায়বা অমা, ফত্তে হায়বা অমা - মীওই কাঙলূপ অনী থোরকই। হায়ফেৎ নৈনসি, ঐখোয় করম্বা কাঙলূপ্তা চনবগে।

মতম খরগী মমাঙদা ঐখোয়না খনখিবা ৱাখলগী ঙমখৈ ৱাংমদা হোংলক্লিবা 'সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি'; মেছিননা মীওইবগী মহুৎ শিনখ্রবা মেছিনদা মপান তাংলবা মীওইবগী পূন্সি; অফা-অপুন, অয়েৎ অথিং লৈত্রবা মালেমগী ঙমখৈ লৈত্রবা কৈথেল; লৈঙাক অমনা মশাগী শেনবা-থুম্বা (ইকনমি) মনীং তম্না তৌজবা ঙল্লক্ত্রবা, অতোপ্পা লৈপাক্কী য়াকা য়েংদনা মশাগী চাওখৎ থৌরাং পায়খৎচবা ঙমদবা, থবক শুফম মরাঙ কায়দুনসু থবক ফংদবগী শাথীরবা সমস্যা... অসিনচিংবা ঐখোয়না ঙসি মায়োক্নরিবা 'গ্লোবেলাইজেশন পোলিসি' গী মহৈশিং অসি 'কার্ল মার্ক্স' কৌবা ফিলোসোফর অদুনা ঙসিদগী চহী চাম্মা য়াঙ্খ্রেগী মমাঙদা মাঙজৌননা উখি।

কোইরক কোইবা, মতুম তাবা পোৎশক অমবু 'গ্লোব' কৌবগুম, মালেম অসি মতূম তায় হায়বা খঙলকপদুদগী মালেমগী মেপ য়েকপা-মতুম তাবা শক্তম অদুবুসু ঐখোয়না গ্লোব হায়না খঙনখি। মালেমগী মশীং য়াম্লবা লৈপাকশিংদা শন্দোকখ্রবা করিগুম্বা অমবু ঐখোয়না গ্লোবেলাইজেশন কৌই। ইন্দিয়া 'জেরোগী কন্সেপ্ট' হৌদোকখিবদগী অঙ্কগী তাইবঙবু গ্লোবেলাইজ তৌখি। চহী ২৫০০গী মমাঙদা গৌতম বুদ্ধনা 'বুদ্ধিজম'বু গ্লোবেলাইজ তৌখি, মথংদা খৃষ্টিয়ানিতি। ১৮৯৩দা স্বামি বিবেকানন্দনা চিকাগোগী 'পার্লিয়ামেন্ট ওফ রিলিজন'দা ৱা ঙাঙলুবদগী হিন্দুইজমগী স্পিরিট গ্লোবেলাইজ তৌখি। হৌজিক শন্দোরক্লিবা মহীক মখল অসিনা 'ইকনমিক গ্লোবেলাইজেশন' কৌই। মহাক্না লৈপাক অমগী য়াঙলেন শরূ ওইরিবা 'শেন্মীৎলোন'দা এটেক তৌই, লৈপাক অদুগী লৈঙাক অদু লেঙ ওৎপা ঙমদনা পঙথহল্লি। মতম অমদা মিলিটরিগী শক্তিনা লৈপাক অমা খুদুম চল্লম্বদু ঙসিদি লাল্লোং হোংখ্রে। লৈপাক কয়াগী শেন্মীৎলোন খূবাম্লুংদা পায়শিল্লগা অমেরিকানা করম্বা লৈপাকশিংদুবু ইরায় লায়না খুদুম চল্লিবা! পীশক-পীকশিনখ্রবা পাক চাউরবা মালেমগী কৈথেলসিদা অমেরিকান মখূত্তা চৈতুপ পায়বা পুলিস কন্সটেবল অমগুম উশিত্তনা লেপ্লি।

অনীশুবা পৃথিবীগী লাঞ্জাও মতুংদা মালেমসিদা 'সুপর পৱার' অনীখক থোরকখি - য়ু এস এ অমদি য়ু এস এস আর। অমনা কেপিটেলিজম (শেঞ্জাও পায়বশিংনা মপু ওইবা) দা থাজবা কাঙবু, অমনা সোশলিজম (লৈপাক্কী মপুদি মীয়াম্না ওইগদবনি হায়বা) দা থাজবা কাঙবু। অমনা অমদা লান্দাবদি ঙম্নদা পাক-শন্না মাঙহন-তাকহনবা ঙম্বা খূৎলায় কয়া শাদুনা পৈশিন্নখি, মিলিটরিগী শক্তি কনখৎহনখি। মদুবু ঐখোয়না 'কোল্ড ৱার' (অঙৈংবা লান) হায়না খঙনরি। মসিনা অতোপ্পা লৈপাকশিংদা (থর্দ ৱর্ল্ড কন্ট্রিশিংদা) নাকোয়ননা কান্নবা পীখি। ইখঙ খঙহৌদনা সোভিয়ট য়ুনিয়নগী সোশল সিষ্টম ফেল ওইরকখি। কনামত্তদা করিগুম্বা অকনবা চৈথেং অমত্তা পীরমদনা 'কোল্ড ৱার' লোইশিনখি। অমত্তা ঙায়রবা 'সুপর পৱার' ওইনা য়ু এস এস এ নাপন তৌনা লেপখৎলকখি। অমেরিকান লুচিংবা 'ইন্টরনেশনল মোনিটরি ফন্দ' অমদি 'ৱর্ল্ড বেঙ্ক' অনীনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা লীলা শান্নবা লোইরবা তুংদা মালেমগী অতৈ লৈপাকশিংদা মায় ওনশিল্লকখি।

লৈপাক ঙাক্লিবা লৈঙাক অদুনা শেন্মীৎলোন চাওখৎহনবগী মিংদা খূৎচাউ থাদুনা শেল পুবগী চৎনবী পূক্নিং থৌগত্তুনা শেল শিংবদা ইনগদবা অকনবা চৎন-কাঙলোন কয়াদুগী মথক্তা শেল পুরিবা লৈবাক অদুগী 'সোশল সিষ্টম' অদুদা মপূং ওইবা পান্দম থমখি। লল্লোন-ঈতিক অমদি ফিস্কেল পোলিসি (লৈঙাক্তা কারকপা ইনকম) নৌনা শেমদোক শেমজিন তৌবা, পব্লিক সেক্টর খুদিংমক ইনাক খুনবা লন্নাই মীওইশিংদা পীথোকখিনবগী প্রাইভেটাইজেশন পোলিসি, লৈঙাক্কী কন্ট্রোল য়াওদনা কৈথেলশিংবু মনীং তমহনবা 'ফ্রী মার্কেট ইকনমি' ওন্থোকপা; মালেমগী থাক্তা কম্পিটিশন য়াওবা ঙমহন্নবা অমগা অমগা পূনশিন্নহনবা; শেল শান্দোক্লিবা লৈপাক্তুগী দরকার অমদি অপাম্বা মতুংইন্না 'এক্সপোর্ট-ইম্পোর্ট' তৌবদা শেল পুরিবা লৈবাক্তুনা করিগুম্বা মখলগী ৱাহং-পাউহং তৌবা য়াহন্দবা - অসিনচিংবা ময়ামসি শেল পূনবগী কন্দিশনশিংনি। হায়বদি, শেল পুরিবা লৈপাক অদুগী 'শেন্মীৎলোনগী নীংতম্বা' সরেন্দর তৌবগা-পাঙ্খক ওইরে, নীংতম্না মশাগী 'ইকনমিক পোলিসি' অমত্তসু য়াৎচবা ঙম্লরোই। 'ৱর্ল্ড ট্রেদ ওর্গনাইজেশন' না পূম্নমক্কী পোলিসি মেকরনি।

মসিমক্লি ঙসি ইন্দিয়ন ইকনমিদা থোক্লিবা। ১৯৯১, পি ভি নরসিমহা রাওনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা কান, ইন্দিয়ন ইকোনোমি, কোল্লাপস তৌবই থাক্তা লৈরমখি। কা হেন্না শোকহল্লবা মতমদুগী ইকনমি কন্নবা 'ৱর্ল্ড বেঙ্ক' অমদি 'ইন্টরনেশনল মনিটরি ফন্দ'দগী শেল পুনবা লন্দনদা ৱারী শাখি। প্রাইম মিনিষ্টর পি ভি নরসিমহা রাওগী য়াথংদা কন্দিশন পূম্নমক অয়েৎপা অমত্তা য়াওদনা খূৎয়েক পীখি। লৈপাকসিবু বনধোপ থল্লগা, হরাও মোমোনগা লোয়ননা লৈপাক মীয়ামদা লাউথোকখি... *'ঐখোয়গী তুরেলশিং খোইহি অমসুং শঙ্গোমনা ঈশিং ওইনা চেল্লনি, শুফম-নোম্ফম লৈরনি, য়াইবী মরাং কায়রনি, চাবা থকপা ৱাৎলরোই...'* অদুবু কদায়? থবক ফংদবা মীশিং থিঙমদনা হেনগৎলে, পোৎ-চৈগী মমল অতিয়া পক্লা ৱাংখৎলে, লৈপাকসিগী অপূনবা মীশিংগী চাদা কুন্থ্রা থক্লনবা ঈশিং ফংদ্রি, চাদবনা খোমখাক-লাইচুরবা অঙাং মশীং থিঙমদ্রে, শেন্দোননা খ্বাঙ কোইরবা লৌমী লাখ কয়া আত্মাঘাট তৌদুনা শিজখ্রে, লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা মীশিং থা খুদিং চাং নাইনা হেনগৎলক্লি, লুপা ক্রোর কয়াগী লোন তোনবা ইনাকখুনবা মী মশীংসু হেনগৎলকই লৈঙাক্না করিমত্তা হায়বা ঙমজদে, খ্বাইদগী ইনাক খুনবসু ময়ায় ওইরপ লায়রবসু পৎ তৎনা লায়রবসু পুল্লপ লৈমিন্নৈ। মতম অমদা, ভি কে কৃষ্ণ মেনন্না হায়রম্বদু নীংশিংলকই, 'ইন্দিয়া ইনাক খুনবা লৈবাক্লি অদুবু ইন্দিয়নশিংদি লায়রবা ঙাক্তনি।' ইকনমিক গ্লোবেলাইজেশন হৌখ্রবা চহী কুনগী মতুংসিদা ইনাক খুনবা কাঙবুনা হেন্না হেন্না ইনাকখুল্লক্লগা লায়রবা কাঙবুনা হেন্না হেন্না লায়ররকপগী অঙকপা অহোংবা অমা উবা ফংলি। লৈপাক অমগী শেন্মীৎলোনগী য়াঙলেন-শরূ ওইরিবা 'বেঙ্কিং সেক্টর' অসিবু লন্নাই মীওইশিংদা য়োন্থোকখিনবা লৈঙাক্কী অচেৎপা ৱাশক অমা থবক ওন্থোক্লবা হোৎনবদা বেঙ্ক এমপ্লোয়ীশিংগী য়ুনিয়নগা অকনবা মুক্নবা অমা থোক্লি। য়ুনিয়ন মুখৎপা হায়বসিসু লৈঙাক খুদিংমক্কী লেঙদ্রবা পান্দম ওইরি। মরমদি, গ্লোবেলাইজেশননা দিমান্দ তৌরকপা 'ইকনমিক রিফোর্ম' কয়া অদু 'লেবর রিফোর্ম' য়াওদ্রবদি ওইথোক্লোই। লেবর রিফোর্মগী মনুং চন্ননি 'অনৌবা ট্রেদ য়ুনিয়ন রেজিষ্টর তৌবগ অথিংবা থল্লিবা', 'ট্রেদ য়ুনিয়নশিংনা ষ্ট্রাইক তৌবগী হক মৎনবা হোৎনরক্লিবা', 'ট্রেদ য়ুনিয়নগী মেম্বর ওইবা য়াদনবা থবক্কী মী লৌবদা রিগুলার এমপ্লোয়ীশিংগী মহুত্তা কন্ট্রেক্ট এমপ্লোয়ী ওইনা লৌরিবা'।

লায়রবা মীওই ক্রোর কয়ানা ভোট পীদুনা মীহুৎ ওইবা ময়াম্না পুল্লগা শেম্বা লৈঙাকনি। অদুবু লৈঙাক অদুনা ইনাক খুনবা মী খুজোক খরা অদু য়ানবা চৎপদা লায়রবশিংগী ইন্টরেষ্ট শোকপা থবক্তা তৌরিবা, মখোয়সু শেঞ্জাও পায়বা ওইনীংলকপদগী শেঞ্জা-থুমজাগী তুজ ুংলবা থৌদোক কয়া থোক্লিবা।

লায়রজরবসু ঐখোয় ৱাখল খনবা ঙমদবা, শোয়রোম্বদি নত্তে - 'ঐখোয়সু, ঐখোয়বু ওৎলিবশিংসিগী মায়োক্তা লালহৌ অমদি হৌবা ঙম্মি।' হায়বদু উৎপা মতম ওইদ্রিবরা? মালেমগী মঙাশুবা খ্বাইদই চাউবা ইকোনোমিক পৱার ওইরে চাউথোকচরি। চহী খরগী তুং, অহুমশুবা ওইরনি মূকচরি। অদুবু, মশানা মশাবু থবক পীজবা ঙমদবা খ্বাইদই য়াম্বা মীয়ামসু লৈ লমদমসিদা। ইনাকখুনবা খুজোক অমনা মীয়ামগী পূক্নী পায়রিবা - গ্লোবেলাইজেশনগী মহয়নি। ●

# পূন্সি, খুন্নাই অমদি লমদম অসিবু লাচল্লিবা কবি এন শ্রেঠ চোংথামগী শৈরেং লাইরিক 'পোন' - লাইরিকসিগী মপাউ



**- তোংব্রম অমরজিৎ -**

এন শ্রেথ চোংথাম, নোংপোক ইম্ফালগী হুইকপ খুঙ্গংদা পোকখি। নহা ওইনা ইবগী লম্‌সিদা চঙশিল্লকখি। অদুনা শৈরেং, ৱারেং অমদি মহাক্না য়াম্না হেক পামজবা ঈশৈ ময়েকসু ইদুনা লাকই। পূন্সি অমদি মীওইবগী মপোক অসিবু মহাক্না লুনা নুংশিনা লৌই। মতম মাঙহন্দে অমদি হোৎনবা লেপ্তে। মহাক্কী ঈশৈ ময়েক কয়ানা লমদম অসিগী নহাশিংগী পূক্নিং থৌগৎলি অমদি থৌনা হাপ্লি। মহাক্কী ঈশৈ ময়েকশিং মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবসু ওইরি। 'ঈগী লমন', 'মৈতৈদি মৈনি' ঈশৈ ময়েক অনীমক মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা অমদি হৌজিকসু লেপ্তুনা তানরিবা ঈশৈ ময়েক ওইদুনা লৈরি। শ্রেঠ হৌজিক্না মহৈরোয় কয়া তাকপী-তন্বীবগী শিন্তাক অমা ওইনা লৈরি। মহাক লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহা কয়াবু পূন্সিগী মায়ওন চুম্না চৎননবগী লমজিংলিবা মীশক অমসুনি। মহাক্কী ফোঙখ্রবা লাইরিক খরদং পনবা তারবদি 'SOS and Other Poems', 'পরা তরা' 'The Ten Personality Types', পরা তরা অমগা' অমসুং হন্দক ফোঙলিবা শৈরেং লাইরিক 'পোন' অসিগা থারগা লাইরিক মঙা পুথোকখ্রে। মহাক্কী 'পরা তরা' নহাশিংনা মরু ওইনা য়াম্না পাম্না পানবা লাইরিক অমসু ওইরি। হন্দক ফোঙলিবা শৈরেং লাইরিক 'পোন' অসিদা অইবগী শৈরেং পূন্না ৩৩ য়াওরি। কন্টেম্পরি ওইবা থিমদা ইবনা অয়াম্বা ওই। লাইরিক অসিবু কবি শ্রেঠনা কচ্চরিবনা "ৱারবা মতম অসিদা ঐখোয় ময়ামগীনি হায়দুনা লমজিংবীনবা ৱাৎলবসু অকিবা অমত্তা লৈতনা ইমা লৈবাক্কীদমক মাঙ থাদুনা চৎখ্রবা/চৎখ্রবীশিংগী মফমদা কৎচরি" হায়না দেদিকেশন পেজ অমদা ইরি। মসিমক কবিনা মমা লৈবাক মরমদম অসিবু নুংশিজবগী মশক অদু উবা ফংই।

লাইরিক অসিগী অহানবা শৈরেং ওইনা য়াওরিবা 'ঙাইহৌরি' পরেং অহুম্না শাবা শৈরেংনি। শৈরেং অসিদা উরিবসি পাক্তক্ননা মরূ কোক্লবা মণিপুরগী চীংশাং পরেংশিংনি। নারোন্দা শাইদাংবা লাকখিবা মখোয়না পাক্ল-চাউরবা, ৱাংলবা লমদম অসিগী চীংশাং নাপোমশিং ঙসিদি কানি শুংনবা অমদি দ্রগকী লান, ইকোনোমিক ৱারফ্যেরদা য়েলহৌ ফূরুপশিংবু নমথনবা তমথীনা মরূ কোকথৎলি, পাম্মুবা অমদি নুংশিবা য়াওদনা। লৈবাক লৈহাও, উমংশিং মাঙহনবতা নত্তনা লমদম অসিগী পুৱারীবুসু শীংনরক্লি। মসিদা কবিনা ইরক্লি, "মরূ কোক্লবা চীংশাঙশিংনা ঙাইহৌরি/শেন্বীদ্রবা, উফুল থাঙলবা লন্বীগুম/শেন্বীবা হৈবা কনাবু।" (লা: ১) লমদম অসি মপু পান্দ্রে হায়বদুসু ফোঙদোক্লি।

ইরোল ইয়েক লৈজবা লমদম ওইরবসু পুৱারীগী মতাং অমদা ইশানা ইশাগী শক্তম্বু হন্না য়েংলুদ্রে। লমগী ষণনা মচি শাংলে হায়না খল্লুরে। মীগী মমালোননা হেন্না ফজৈ নীংলুরে। মীরোলদা লাইরিক তম্বনা লাইরিক হৈবনি খল্লুরে। অদুবু ঙসিদি মীরায়বীরুবা ইমালোলনা মতিক ময়াই চেন্না অনৌবা মহৈ মশিনগী মায়ওন লেপ্লক্লি। মতাং অসিদা ইমালোলদা লাইরিক তম্ববু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা কবিনা ইরকপনি 'তমসে'। ইমালোলসে তম্নিংলবসু থৌশাদবা অদুদি তৌবীরনু হায়না আপীল তৌরি কবিনা।


অঙৈং-অশাগী খল, নোংজু-নুংশা চাং নাইরক্তবা মতমসিদা মীওইবনা হিদান্নরি চাওখৎপা। হীরম অসিগী ৱাহন্থোক অসি মহৌশাগী খল কায়রক্লবা মালেমদা করি করম্বা চাওখৎপনো মীওইবনা পাল্লিবনা? মহৌশাগা মীওইবগা লৈনবা মরী অসি হেন্না নকশিন্নবা হোৎনবসিনা চাওখৎপগী পান্দম থল্লবদি মালেমসি হিংবদা নুংঙাইরোইদ্রা? অহোংবসু খেন্নবসু উবা ইফং ফংদে। মসিদা ৱাদবা ঙমদে কবি শ্রেঠসু। মহাক্কী শৈরেং 'খেন্নবা লৈতে' মসি পাদুনা য়েংবা য়াই। "লৈক্রক চৎলবা লৌবুকশিং/উরগা নীংশিংলকই ঙসিদি/ইধৌগী ৱাহৈশিং, "নোং চুদ্রবদি কদাইদৈ/লৈরগদগে লৌবুকশিংদা ঈশিং"/হায়হৌবা তারি ঐনসু/ইচানা পোক্লক্কদবা ইশুশিংদা/নোংমদি শোয়দনা,/"নোং তাদ্রদি কদাইদৈ/লৈরগদগে লৌবুকশিংদা ঈশিং।" (লা: ৮)

পূক্নিং ৱাখলগী লায়না হায়বসি ঙসি য়াম্না তোয়না থেংনরবা হকশেলগা মরী লৈনবা অনাবা অমা ওইরক্লি। খুন্নাইগা তোৎন-তিন্নবা য়ারক্তবা, পূক্নিং চরাংনবা, খোইরাং খোইশাওনবা, লৈতাদবা, শান্তি লৈতবা ৱাখল মসিনা ওইহল্লকপা ফত্তবশিং পূম্নমক অসি অরং-অরাক্কী পূন্সি, মীওইবগী করাম চাউবা মথৌ, পেন্থোকপা ঙমদবা, অশাওবা, নাপল, ইশাগীতা খনবা মসিগুম্বা ফত্তবা মচৎশিং অসিনা ওইহল্লকপা লায়না অমসু ওইরক্লিবনি মসি মিৎনা উবা ফংদে। মসিগী লায়না অসিবু কবিনা 'মিৎ' উদ্রবা পোন' হায়না মিংথোল্লি। মীওইবগী নাপল, অচাওরম কাবা, শিগনি হায়বসি কাউথোক্লিবা লীচৎ অসিদা ইরক্লি, "য়োৎকী কৈশুমশঙসু ওইসনু/থারবা চেক্কীসু ওইসনু/মশা পান্দবা মীওইবগী/চাউরবা ৱাখলগী মশাদি/ফন্দুনা, পোঙদুনা উৎলক্কনি,/ঐসু লৈরি মালেমদা/অহিংবা পূন্সি অমা ওইনা।/...থেংনরবা করিগুম্বা নহাক্না/মশা য়াওদ্রবা ৱাখলগা/হিংজরিবা কনাবু মালেমদা/পাংবীরম্মু ঙাইহাকসু, নিরক্লরোইদবা মতেংদো" (লা: ১১) থম্মোয় পীকশিল্লবা, মীনুংশি তুংওইনরক্লবা মীওইশিং, মীগী মতেং পাংনীংদ্রবা, য়োৎকী শারং মনুংদা হিংবগুম্না হিংলিবশিংদা তাইবঙ লীচৎ অমদি মঙালগী ওইবা মীকপ থোকপা য়াবা মতেংদি পাংবীয়ু হায়না পাউমেল্লক্লি কবিনা।



এন শ্রেঠ চোংথাম

লাইরিক্কী মমিং :- **পোন** (২০২৪)
অইবা :- **এন শ্রেঠ চোংথাম**
অফোংবা :- **সাথৌলূপ, ইম্ফাল**
লাইরিক্কী মখল :- **শৈরেং**
লাইরিক্কী মখুম :- **বিপিনজিৎ অমসুং ঙাঙোম শন্তোস**
লাইরিক্কী মমল :- **লুপা ২৫০/-**
লমায় মশিং :- **৯০ (মৈতৈ ময়েক য়াওরগা)**





আশাগী নুমিৎ অমদি অয়ূক খুদিং থোরকই নোংপোক চীংখৈদা। পলেম মমা ওইবীশিংনা মচাশিংগীদমক কয়াদি ৱাজবা হায়বদু লায়রবগী পনখৈ মখাদা হিংলিবা ইমুংগী মীওইশিংনা খরা হেন্না চৈথেং অসি থেংনৈ। মমা-মপা খুদিংমক্লসু মচাশিংগীদমক ৱাজদবদি নত্তে। অদুবু থেংনরিবা অৱাবগী, পূন্সিগী লানফমগী থাক অদুদি খেন্নগনি। অসিগুম্বা ফীভম মায়োক্নরিবা ইমুংগী মচাশিংনা মমা ওইবীশিংনা থেংনরিবা পূন্সিগী অমদি চাকখাওগী লানফম অসি ইদবা ঙমদে কবিনা। অদুনা ইরক্লি, "...খোমলেন তূমখুল তাল্লিবা মচাশিংবু/মিৎলু পিরাং ঈহৌনা, য়েংলম্লগা/মোমোন মীনোক নোক্তুনা/থোঙজাও পূনা কাঙদুনা/কদায়দনো চৎলিবা নহাক্না ইমা?/কদাইদনো?/অহিং তূমখুন তান্দুনা/তাইবঙ কয়াগী মতৌদগী/নাথৈদুনা খরা হেন্না/হোৎনদবা য়াদে খন,/তূম্বা চাবা খঙদনা... ইমাগী খোঙথাংনা কদোমদনো" (লা: ১৬) লায়রবগী চৈথেং নংলবা ইমুংগী মচাশিংনা পূন্সিবু হেন্না ময়েক লানা উবা ফংই। অদুনা মচাশিংনা ৱাশকই অদুনা হায়রকই, "...লেপ্পা লৈতনা হোৎনগনি, অৱাবা খঙদনা/ইমাগী হুমাঙ'মল শিঙবা ঙম্নবা..." শৈরেং অসিমক চম্না ফজবা খূৎই অমনি।

লোক্তাক পাৎ মণিপুরগীদি শকয়েং মিংশেলনি। লোক্তাক তুরেল কয়াগীসু ইতিনফম্নি। মণিপুরী খুন্নাইগা লোক্তাক্কা লৈনরিবা মরী মাঙফদ্রবা মরীনি। অদুবু ঙসিদি করি ওইরক্লি। পূম্নমক উরে। নম্বুল তুরেল খক্লা চেন্থরিবা ফত্ত-হৌদি, হূ চেল্লবা ঈচেল ওইরক্লি। মসি অফবা খুদমদি নত্তে। অদুনা শ্রেঠনসু য়াম্না তেন্না ইরক্লি, 'ঈ তৈরবা ঈপাক'। অকিবা ফংনা মোৎশিল্লে, হূ চেল্লে হায়বগী ঈঙ্গিৎনি উৎনীংলিবসি। অদুনা ইরক্লি, "লোক্তাক লাইজ নীংথিবী/লূরা ফূরুপকী মশেক-ও/ওইরেদো ঙসিদি নৌহৌনা/ঈ তৈরবা ঈপাক!" (লা: ১৭)

কবি শ্রেঠকী লাইরিক অসিদা অতোপ্পা ফজবা শৈরেংশিং 'কোনুং', 'পাঙদবা', 'লুচিংবা খনবা' অসিনচিংবা খরা সেটাইয়রগা তোৎশিন্নবা থিমদা ইবা খরা তেনবা শৈরেংসু য়াওরি। মথং মথং শৈরেং ইনীংবগী ইথিল লাকপদা লেপ্তুনা ইদুনা লাইরিক কয়াসু মণিপুরী খোরিরোলদা খুদোল তম্লকখিগনি হায়না থাজবা থমজরি। ●

# লোক্তাক ইমাগী মশাইকোন্দা ৩শুবা কালেন আর্ট এগজিবিশন ২০২৫ # ১৬


**- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -**

লোক্তাক ইমাগী অহুমশুবা ইশাদি মুকাপ চীংলক্তা লৈরিবা কোম অসিনি। ইশা অসিবু পুবা লাইনিংথৌগী মিংদি "খারা লৈতুংকাই" কৌই। লাইরেন্বীগী মিংনা "লৈনুংশিংখৎপী শঙলৈমা" কৌই। মফম অসিদা ঈরাৎপদা ইরম অসিবু "ইমোইনু ইরম" কৌই। মফম অসিদগী ঈরাৎপদা লমাংদোংগী লৌকোই পাৎ য়ৌনা ফাওই। মফম অসি মঙাং য়েকশিংগী য়াইফনবা ঈরাৎফমনি। হৌজিক ঐখোয়না তোলোং কাচিন হায়না খঙনরিবা মফম অসি তোলোংখোম্বা নিংথৌগী হিয়াং হিরেন লুপখিবগী তোলোং কাচিন হায়না খঙনরি। মফম অসি লাই হাক্তক্তা 'শেনখ্রেক লৈথুংবা' কৌই। ঈপাক অসিবু পুবা লাইনিংথৌগী মিংদি 'নুঙখাবা' কৌই। লাইরেন্বীগী মমিংদি 'হুইলেপ' কৌই। হায়রিবা মফম অসিদা নুঙথোং অমা লৈয়ে। নুঙথোং অসিগী মমিংদি 'মীনপ মী সোইপুং' কৌই। চীংথি অমদি ৱারোই চীং অনীগী তাইনবদা লৈবা লাইরেন্বীগী মমিংদি 'ফুইনাপতাবী' কৌই। অহুমশুবা লোক্তাক ইশা অসিদা হৈস্নাম মমাঙ পাৎ হায়নবা হৈস্নাম চীংমাইগী চীংজেল মমাঙ থাংজিং কোমদা লৈবা লাইনিংথৌগী মমিংদি 'খম্লুং লৈচিকাপ' কৌই। কোমগী অৱাং থংবা ইশাদা পুরিবা লাইনিংথৌগী মিংদি 'য়াকাপুঙ য়াখোমলোই' কৌই। লাইরেন্বীগী মিংনা 'থমসেৎপী' কৌই। মফম অসিদা পীবা খৈয়োমদি ইম্ফালগী কংলা য়ৌই। হৌজিক সেনাপতি ময়ূম হায়না খঙনরিবা অসিগী মপাদা লৈরিবা কোম অসিবু পুবা "খাবা লৈনুং কাপ্পা" কৌই। লাইরেন্বীগী মিংদি 'লাংসেনবি' কৌই। মফম অসিদা ঈরাৎপদা লৈমতাক চীংগী লুখ্রাবী য়ূমফমদা ফাওই।

লৈহাও মখোঙগী সেনাপতি লোক হায়না খঙনরিবা লোক অসিগী মপাদা ইরোলনুংদা কোম অমা লৈ। কোম অসিবু পুবা লাইনিংথৌগী মমিংদি 'খুতা লৈচীংহনবা পাখঙবা' কৌই, লাইরেন্বীগী মিংনা 'সেংখাপনু অহিংবী' কৌই। মফম অসিদা ঈরাৎপদা থাংজিং চীংগী চীংখোঙদা লৈবা 'হঙোই পাৎ' হায়রিবা মফম অদুদা য়ৌই। মফম অসি মোইরাং য়েকচাশিংগী য়াইফনবা ঈরাৎ থৌনিফম্নি। লৈহাও মখোঙ কাচিনগী মমাঙ ইরোলনুংদা কোম অমা লৈয়ে। কোম অসিবু পুবা লাইনিংথৌগী মিংদি 'সাখেপ পোৎসেৎপা' কৌই। লাইরেন্বীগী মিংদি 'লাইসেংনু সোংতোনবী' কৌই। মফম অসিদা নুংলম অমা লৈয়ে। মফম অসিদা ঈরাৎপদা থিনুঙ্গৈ মমাঙগী থাংজিং কোমদা ফাওই। লুৱাং য়েকচাশিংগী ইরাৎফম্বু ওইয়ে।

লোক্তাক ইশাগী মরিশুবা ইশানা কোল্লিবা মফম ইরান্তবী হায়রিবা মফম অসি হৌজিক ঐখোয়না ইরানতাবী হায়না খঙনরিবা লাইফম ইশা অসি লোক্তাক ইমাগী ইশা ৯গী মনুংদা মরু ওইবা ইশানি। ইশা অসিবু পুরিবা লাইনিংথৌগী মিংদি "ঈয়াই পুরেন পুলিংবা" কৌই। লাইরেন্বীগী মিংদি 'ইরাই লৈমা' কৌই। লাইনিংথৌনা ঈরোলনুংদা পুরগা 'লৈনুংসরা পাখঙবা' কৌই। লাইরেন্বীনা উতোংথক্তা পুইয়ে। লাইনিংথৌ লাইরেন্বী অনীনা তাইবঙশিংগীদমক লেন্নৈ ঙা পুথোকখিয়ে। লাইফম অসিদা য়েক ৭কী য়াইফনবা থৌনিজবা য়াই। মফম অসিদা ইফুৎ কোম, পূখ্রি কোম অমসুং পুরুক কোম লৈয়ে। পুঙ অসিগী মমিংদি 'খোমেন পুঙ' কৌই। হৌজিক 'সোরেন পুঙ' হায়না খঙনরে। হায়রিবা মফম অসি খাজি পাৎকী পাৎশানি। মরিশুবা ইশানা কোল্লিবা খাজি পুঙলাক হায়বা পাৎশা অসিদা পুঙ কয়ামরুম লৈ। পুঙশিং অসিগী মনুংদা মরু ওইবা পুঙশিংদি- ১) ইথাপ পুঙ ২) ইনাম পুঙ ৩) ইথিং পুঙ অসিনচিংবনি। পুঙশিং অসি মোইরাং 'লানশাপুঙ' য়াওরি। খুমন খৌশাপুঙ য়াওরি। লুৱাং লান্দেং পুঙ অমসুং খাবা ঙানবা চাইনা পুঙ য়াওরি। অঙোমগী লান্থুপফম পুঙ, মঙাং লানচেন পুঙ য়াওরি। য়েক তরেৎকী মী চঙবা য়াদবা পুঙ য়াওরি। পুঙ মরাং কায়না লৈবা মরমদগী পাৎ অসিবু পুঙলাক কৌবনি। পুঙলাক অসিদা পুবা লাইনিংথৌগী মিংদি 'ঈথিংবা' কৌই। লাইরেন্বীগী মিংদি 'ঈখৈ খালক লুক' কৌই। লাইনিংথৌ লাইরেন্বী অনীনা পুঙলাক, শিংনাঙ চেকয়া, সুম্বল তাওবী ফাওবা পুয়ে। লাইনিংথৌ লাইরেন্বী অনীবু থেংনরুরবদি মী অদু তিন্থুং লাইথুংদুনা নাইয়ে। হিংবদা লুনা থোকই। লাইশক খঙনা ঈরাৎচরবদি কোক্কনি। মাইব্রম ফুমলক তেরা কাচিন, ঙারম মরিন অমসুং খুমন ওকচাফমশিং অসিদা পুরিবা লাইনিংথৌগী মিংদি 'সনসালেঙ পাখঙবা' কৌই। লাইরেন্বীগী মিংদি 'সেসৈলৈ' কৌই মফম অসিদা ঈরাৎপদা তেক্লা লাইশোইদা অমসুং হিয়াংথাংদা ফাওই। খুমন লুৱাংবু ঈরাৎখিবা মফমনি। শুম্বল তাওবীগী খদান থাংজিংপাৎ, থম্নাপোকপী পার্দোন অমসুং কোনশাবী কাচিন পুবা লাইনিংথৌগী মিংদি 'খপখ্রেং খালাবা পাখঙবা' কৌই।

কারাংচীং চীংশা অসিদা তিঙ্খম লাইকম কৌবা লাই অনী লৈয়ে। মফম অসিদা লুৱাং শংফমসু লৈয়ে। মফম অসিদা লৈবা লাইনিংথৌগী মিংদি লাইশিংগী হাক্তক্তা 'চেঙলৈ শাখুম্বা' হায়না কৌই। হৌজিক্না 'খুমন পোকপা' হায়না খঙনরে। লাইরেন্বীগী মিংদি 'অমঙ য়াকপী' কৌই। চীং অসিগী চীংশাংদা 'লুপশিখোনবী' হায়বী লাইরেন্বী অসি লৈয়ে। মহাক্কী লৈফমদি মঙ্গে পান্দোন হায়না খঙনরিবা অসিনি। খুমনপোকপা ককচীংগী ইশা অসি কারাং হীরোৎ হায়না খঙনৈয়ে। করিগী হীরোৎ কৌখিবনো হায়রবদি খুমন নিংথৌগী হী-য়াই চেনবা হীবু মনাও নীপা অমু কাঙলোইবনা হুদুনা পুরকখি। হী হুরান্দুনা পুরকখিবা য়াঙবী অদুগী মমিং 'হীরান য়াঙবী' কৌই। হীবু লোৎখিবগী মফমবু 'কারাংহীরোৎ' হায়না কৌনরি। অসুম্না ইশা মরিসুবগী মরমদা 'লোক্তাক ইশা' হায়রিবা লাইরিক্তা শুগায়না তাকপীবগী ৱারোলশিং অসি ফংজবদগী মীয়ামদা অমুক হন্না থমজবনি। ●



বুধিমন্তনা য়েকপা "নুমিদাংৱাইরমদা থাঙ্গরোমদগী মনীং পাংনা উবা লোক্তাককী শক্তম"

(মখা চত্থজরকখিগনি)।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।